ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
# সনালৈবাক
www.sanaleibak.in
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে



মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা মীয়ামগী অৱা-অনা কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকপা কংলৈ ইমা লূপ (কিল)গী ৯শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শক্তম



ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকপা রিমস একজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীটিংদা নেসনেল ইন্সটিট্যুসনেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱার্ক চল্লকপগী সার্টিফিকেট ডা এ সান্তদা খুৎশিন্নবা থৌরমগী শক্তম অমা



লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোইশিং করম্না লাইরিক তন্বীরিবগে অমসুং লৈফম থোকপা মচাক-মথুমশিং লৈব্রা হায়না দেসামগী ভলুন্টিয়ারশিংনা ককচীং অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবা স্কুলশিং য়েংশিনবগী পাউদম্বা

Volume No: 43 Issue: 168 | IMPHALTHURSDAY 16 MAY, 2019 | শগোলশেল কালেনগী ১২নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

### ৱাখলগী চিঙ্গাক

ঐখোয়না পাল্লিবদু ফঙবা ঙমদ্রবদি ঐখোয়না লৈজরিবা অদু পাম্বা তাবনি

### অঙৈং-অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৮.৭° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৮.০° সি
নোংজুগী চাং ঃ ৩০.২ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং-৪.৩০
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং-৫.৫১

### পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৭.৪২
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬১.৯৯

### FOREX (INDIA RUPES)

US DOLLAR : 1 USD = 70.36500 INR
POUND : 1 GBP = 90.43829 INR
CHINES YUAN: 1 CNY = 10.22935 INR

গ্যাসকী পাউ লা: ৬ তা

### লোইরেদনা

কালেনসিদা মনুংদা জর্সি থারিদুনা লাইহৌ তৌরব্রনে তাদ বো?



নুপী ময়ুমদা খুৎ য়াওনরক্লদি খরা শাফনবা হোৎনহৌবনি!

### হেক্তা হায়জিনবা

**ৱাথোক থোং**

হো বরাক থোং
হো মক্রু থোং
জিরি লম্বীগী বরাক থোং
জিরি লম্বীগী মক্রু থোং
কৌগে পুকচাক লম্বী থোং
কৌগে নখোয়বু ৱাথোক থোং
কুইরে তারক্লিবা নখোয়বু
তেকলেগা তৎলেগা য়াদ্রেগা
কুইরে তারক্লিবা নখোয়বু
মন্ত্রি কয়ানা ৱাশকপা
ঠিকাদার কয়ানা লাওথোকপা
মরাল থংজিন্নবা অমগা অমগা
মানশিলক্লে থওইনা হোৎনবা
পুকচাক লম্বী থদৎনবা
টেক্স লৌহন্নবা ডিমাপুর লম্বীদা
হো বরাক থোং
হো মক্রু থোং
কৌগে নঙবু পুকচাক থোং
কৌগে নঙবু ৱাথোক থোং

### বি জে পিগা এন পি এফকা মরী হেন্না ফৎচিল্লক্রে

# এন পি এফনা বি জে পিগা চৎমিন্নখিদ্রা হায়বা মে ১৮গী মীফমদা খঙলগনি

ইম্ফাল/কোহিমা,মে ১৫(এজেন্সি) ঃ মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অচৌবা অহোংবা অমা ওইনা এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি তন্না ঙমদবা ফিভম অমদা লাক্লে। এন পি এফনা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপা তোকপা তোক্তবগী ৱাফম লাক্লিবা মে ১৮ দা কোহিমাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অখন্নবা মীফমনা লেপকদৌরি।

এন পি এফকী মশক নাইবা লুচিংবা অমনা পাউচে অসিদা হায়, ঙরাং কোহিমাদা লৈবা এন পি এফকী হেদক্কার্টরদা পাঙথোকখিবা পার্টিগী কোর কম্মিতিগী মীফমনা লৈঙাক অসিগা এন পি এফকা লৈনরিবা মরীগী মতাং দা য়াম্না কুপ্না খন্নখি। পার্টিগী কোর কম্মিতিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মতম কয়াদগী বি জে পিগী সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী লৈঙাক্না এন পি এফতা য়েংলিবা মীৎয়েং, মখোয়না থাঙলিবা খোঙথাং কয়া অসি কুপ্না নৈনখি। সি এ বিল পুথোকপগী মতাংদগী হৌদুনা বি জে পিগী সেন্টর লৈঙাক্না অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিদা পেন্নদনা লৈরিঙৈদা হৌজিকসু করিগুম্বা বি জে পিগী লৈঙাক লাকপা তারবদি সি এ বিল অমুক হন্না শোয়দনা পুথোক্কনি হায়বা ৱাফম লাকপা অসি অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু উশিত্তবনি।

অমরোমদা, মণিপুরদা লৈঙাক্লিবা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা এন পি এফকী লেজিসলেচরশিংবু ফজনা লোয়নবীদবগী পেন্দবা লৈরক্লিবনি। এন পি এফনা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক অসিদা কন্দিসন থমদনা শৌগত্তুনা লাকখিবনি হায়না এন পি এফ মণিপুর য়ুনিটকী লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ঙরাংগী মীফম অদুদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অদুদা এন পি এফকী মীরেপকী ওইখিবা পোজিসন অদু অমুক হন্না রিভিয়্যু তৌখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা আউটরগী সিট অসি এন পি এফনা ফংবা তারবদি করি তৌগদগে হায়বগী মতাং দসু নৈনখি হায়খি।

ঙরাংগী মীফম অদুগী মতাংদা লন্নাই টি ভি চেনেল অমগা উন্নবদা পার্টিগী ৱাঙাঙলোই অচুম্বেমো কিকোনা কোহিমাদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা হায়,এন পি এফনা মণিপুরদা হৌজিক লৈঙাক্লিবা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মখা তানা শৌগৎপা শৌগত্তবগী ৱাফম অদু খন্নরিবনি। মণিপুরগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা চখরিবা থৌওং অসিদা ষ্টেট অসিদা এন পি এফকী লেজিসলেচরশিং অসি মওং তানা লোয়নবীদবগী ৱাফম লৈ।

এন পি এফনা লৈঙাক অসিদা কন্দিসন থমদনা শৌগৎখিবগী মরম পল্লদুনা কিকোননা হায়, চহী কয়া লিশাং শিংনা চঙদুনা লাক্লবা নাগা ইশ্যু অসি ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বগী ৱাখলদনি। হিরম অসিগী মতাংদা লাক্লিবা মে ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অখন্নবা মীফমদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌরগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, হৌজিক মণিপুরদা বি জে পিনা এন পি এফতা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি করিনো হায়বা খঙবা ঙমদে হায়খি। ঙরাংগী মীফম অদু খঙহৌদনা কৌখিবা মীফম অমা নত্তে। মসি মমাঙদগী চখরক্লবা মীফম অমনি হায়খি। পুং কয়া চংনা চখখিবা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চপ চাবা ফিরেপ অমদি লৌবা ঙমখিদে হায়খি।

অমরোমদা এন পি এফকী লুচিংবা অমসুং হান্নগী নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা হায়, ঙরাংগী মীফম অদুদা মণিপুরগী এন পি এফ য়ুনিটকী লৈরিবা ফিভম অমসুং হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পালিয়ামেন্ট মীখল অদুদা এন পি এফকী মীরেপকী ওইখিবা ফিভম অদুগী মতাংদা নৈনখি। মণিপুরদা করিগুম্বা এন পি এফনা আউটরগী সিট অসি মায় পাকপা তারবদি করি খোঙথাং লৌখৎকদগে হায়বদু ঙরাংগী মীফম অদুদা নৈনখি হায়রি। লোয়ননা মণিপুরগী এম এল এ মরি অমসুং এম পিগী মীরেপপু এন পি এফকী প্রসিদেন্টনা লাক্লিবা মে ১৮ দা কোহিমাদা লাক্লবা খঙহনখ্রে হায়খি।

### মে ২৩গী তুংদা ওইরক্কদবা পোলিটিকেলগী মতাংদা ৱা খন্নখ্রে

# এন পি পিসু ফিভম শেমদুনা লৈনখ্রে

**অরুনাচল প্রদেশকী এন পি পিগী ওফিস বিয়াররশিং অমসুং ফন্ট্রেলগী মকোকশিং খুদক্তা শিন্দোক্লবা খঙহনখ্রে**



ইম্ফাল,মে ১৫ (এন এন এস)ঃ তরাতরেৎ শুবা লোক সভা মীখলগী ফল হেক ফঙবগা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা ওইরকপা য়াবা পোলিটিকেলগী ওইবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা নেসনেল পীপলস পার্টি (এন পি পি)গী লূচিংবশিং গুৱাহাটিদা ৱা খন্নখ্রে।

মীখল অসিদা করিগুম্বা বি জে পিনা মরাই চইথরক্লবা নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টি খরনা ফিভম ফরকপা থোক্লগদি লৈঙাক পায়বদা য়াওননা এন পি পিসু ফিভম শেমদুনা লৈনখ্রে।

পাউ-চে অসিনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ঙরাং পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইনা লৈরিবা এন পি পিগী এম এল এ মরিমক শরুক হায়রি। মীফম অদুদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি অমুক হনলকখিগদ্রা হায়বা তন্না ঙমদবা অমসুং মসিদা অহোংবা লাক্লবদি করি করি খোঙথাং পায়খৎপা য়াই হায়বনচিংবগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরদা লৈঙাক চুপ্পি পায়রিবা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা এন পি পিগী মিনিষ্টরশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং অমসুং মখোয়না লৈঙাক অসিগা মখা তানা চৎমিন্নখিগদ্রা নৎত্রগা চৎমিন্নরোইদ্রা হায়বনচিংবা অদুসু মীফম অদুদা খন্নখি হায়রি।

মীফম অদুদা চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌখিদ্রবদু মীখল অসিগী ফল লাওথোক্লবা মতুংদা পার্টিগী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌরকপা য়াই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

পনবা য়াবদি হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অদুগী মীখলগী কেম্পেইন চখবদা পুন্না চৎমিন্নরিবা বি জে পি অমসুং এন পি পিগী মরক্তা অমনা অমবু খোঙচেপ হায়নরগা লৈনরিবনি। মীখল অদুদা বি জে পিগী সি এ বিলগী মায়োক্তা এন পি পিনা কেম্পেইন চখখিবগা লোয়ননা বি জে পিগা ইশ্যু অসিগী মতাংদা ওনশিন্দুনা লাওনখিবনি হায়রি।

নাকল্ল অমরোমদা,নেসনেল পিপল পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা অরুনাচল প্রদেশকী এন পি পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট গিচো কাবাক্তা দিষ্ট্রিক্ত, ষ্টেট ওফিস বিয়াররশিং অমসুং ফ্রন্টেলগী মকোকশিং খুদক্তা শিন্দোক্লবা খঙহনবগা লোয়ননা হন্দক পাঙথোকখিবা সিট ৬০ লৈবা অরুনাচল প্রদেশ লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অদুদা এন পি পিনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং গুৱাহতিদা পাঙথোকখিবা অরুনাচল প্রদেশকী মীখলদা মীরেপ ওইরিবশিং, পার্টিগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমদা ৱাফম অসি কোনরাদ সংমানা ফোঙদোক্লদুনা এম এল এগী মীরেপ ওইখিবশিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মীখল থেংনখিবা অদুগীদমক থাগৎলি হায়খি।

মীফম অদুদা সংমানা হায়, মহাক্কী মায়কৈদগী অরুনাচল প্রদেশতা পার্টি অসি মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙগনি।

এন পি পিগী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মণিপুরগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা হায়, এম এল এগী মীখলদা মীরেপ ওইখিবশিংনা মীখলগী রিজল্ট লাওথোক্লবা মতুং দা পার্টি থাদোক্তুনা চৎকে হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনবা মায় ওনশিন্নবা আপীল তৌবগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অদুদা পার্টি মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়খি।

মীফম অদুদা অরুনাচল প্রদেশকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট গিচো কাবাক, মণিপুরগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, মেঘালয়গী হোম মিনিষ্টর জেমস সংমা, অরুনাচল প্রদেশকী এম এল এগী মীরেপশিং অমসুং পার্টিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা মীরেপ ওইখিবশিংনা মখোয়না মীখল থেংননবা হোৎনবদা মায়োক্লখিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাউদমখি। মীফম অদুদা ষ্টেট প্রসিদেন্ট গিচো কাবাকনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবা অপুনবা মীরেপ মশীং লাওথোকপগা লোয়ননা ইলেক্তেদ এম এল এশিং অমসুং নেসনেল প্রসিদেন্টকা তান্নরগা পার্টিগী লেজিসলেচর লুচিংবা খন্নবগী মতাংদসু সজেসনশিং পীখি।

# মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎখিবা গো টু স্কুল মিসন অরেম্বা তারে : দেসাম

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর(দেসাম)না মতম শাংনা ষ্টেট অসিগী এদুকেসনদা মীৎয়েং চঙলকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ৱাংঙু অহল্লূপতা লৈবা ৱাংঙু হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ৱাংঙু লাইফম চিথেক লৈকাইদা লৈবা ৱাংঙু লাইফম অপ্পর প্রাইমরি স্কুল অমদি ৱাংঙু চাইরেন মখা লৈকাইদা লৈবা চাইরেন জুনিয়র হায় স্কুলগী ফীভম ঙসি মহৈরোইলূপ অসিগা মেদিয়াশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অসি চহী খুদিংগী দিসেম্বর ৩১ দা দেসামনা শীন্দুনা মিট দি মেদিয়া ফ্রেটরনিটি হায়বা থৌরমগী মমাঙ চহীগী থৌরমদা দেসামগী প্রসিদেন্টনা মাস রিফোরমেসন কেম্পেইন অমা চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুগী মতুং ইন্না ঙসি মহৈরোয় লূপ অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল সিতল ওইনামনা লুচিংদুনা হৌদোকপনি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা হায়রিবা মহৈশঙশিং অসিদা অৱাৎপা কয়া মহৈরোয়লূপ অমসুং মেদিয়াশিংনা হকথেংননা থেংনরকখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ৱাংঙু চাইরেন মখা লৈকাইদা লৈবা চাইরেন জুনিয়র হায়র স্কুল অসি মতিক চাবা বিল্ডিং অমদি কেম্পস লৈ। অদুবু স্কুল অসিদা লৈবা ওঝা ৫ ঙসিগী ওইনা অমত্তা লাক্তবগা লোয়ননা স্কুল অসি থোঙ লোন্দুনা লৈরমখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী ৱাংঙু লাইফম চিথেকতা লৈরিবা ৱাংঙু লাইফম অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অসিদসু লৈঙাক্কী ওঝা ৩ খক লৈরমখি। স্কুল অসিদা ক্লাস ১দগী ৪ ফাওবগী ওইনা পুন্না মহৈরোই ১৭০ লৈরমখি। লৈরিবা ওঝা অহুম অসিনা কোন্নদবদগী লৈকাই অদুদগী অমসুং মনাকনকপা খুলদগী ওঝা ১০ অমসুং চৌকিদার ১ নেক্তুনা স্কুল অসি হিংহনবা হোৎনরি। অনেকপা ওঝাশিং অসিগী থাগী তোলোপ্পা লৈকাই অদুগী মৈরা পায়বীশিংনা হৌবা পুর্নিমা মরুপকী শেনফমনা পুথোক্লগা মদুদগী লাকপা মথোইনা পীরি। অনেকপা ওঝাশিং অসিগী *মখা লমায় ৩দা...*

# রিমস এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মিটিং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী ৪৮ শুবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মিটিং ঙসি ন্যু দিল্লিগী নিরমান ভবনদা ভারত সরকারগী সেক্রেটরী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ারনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখ্রে।

রিমস ইম্ফালগী মেদিয়া এদভাইজরনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মিটিং অদুদা ইকোনোমিকেল্লি ৱিকর সেক্সনগীদমক এম বি বি এসকী সিট অমসুং পি জি সিট হেনগৎহনবদা অয়াবা পীখ্রে। অসিদসু নত্তনা এম সাইন্স নর্সিং কোর্স, নেফ্রোলোজিদা দি এম, স্পোর্টস মিদিসিন হাংদোকপা, সুপর স্পিসিয়েলিষ্ট ডাক্তর হেনগৎহনবা অমসুং বি সাইন্স এম এল টি, এক্সরে, সিটি স্কেন, ই সি জিনচিংবা পেরামেদিকেল কোর্স হাংদোকপা অমদি এম সি নর্সিং দিগ্রি পায়বা ফেকল্টিগী রিটয়ার্রমেন এজ অসি চহী ৬০ দগী ৬৫ দা একাদেমিক *মখা লমায় ৩দা...*

ꯌꯨꯅꯥꯀꯣ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ
UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Legacy of Academic Excellence continues....
STATE TOPPER
AISSCE -2019 (CLASS-XII)
Science Stream
1st



SATYAJIT THONGBAM
95.2 %
2nd



PRATIK AGARWAL
95.0 %
ADMISSION GOING ON
For Class XI Science
For more details : 8131070337
e-mail: info.unaccoschool@gmail.com
SL/B/U (K)/16

ꯆꯥꯎꯈꯠ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ
CHAOKHAT KHONGTHANG
LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.
Last Date of form Submission 26th June,2019
অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজে
Pliz Contact: 7005162621
SL/B/M/Packd.
Consolation Prizes
Mobile Handset
Television
Gas Frame
Mixer Grinder
Tick your choice